ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯟ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯷꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুন ১২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৭৭শুবা মশীং

## চেঙগীদি অফোংবা অরোনবনি

### শেংদোক-শেংজিন চাম্মরক তৌবনা কান্নরোই

অকক্লবা, অরেপ্পা থবক অম-নি খককী ৱাফম নত্তনা পুন্নমক শুপচিল্লগা য়েংবদা অচুম্বা-অশেংবসিবু কদায়দা লৈরমগদগে? শুংলৈ লৈতববুদি নত্তে। খরবুদি লৈবা জাৎনি। অদুবু লৈরিবা চাংদু নেম্মনবদগী মীয়াম্না খঙনদবনি, লৈতবা মানবনি। লাইবক থিরিবদি খ্বাইদগী য়াম্না পীকপা চাংদা লৈরিবা অশেংবা-অচুম্বশিংদুগী মশীং য়ামখৎনবা কনামত্তনা হোৎনরক্তবা অসিনি। অদুনা লৈজরিবা অচুম্বা অশেংবা খজিক্তংদুদি অদুম লৈজরগা মদুবু ওইদবা, অরানবা নমথাক কয়ানা পুময়োম য়োমদুনা কুপশিনবসিনি। মসিনদি মণিপুরী খুন্নাইসি লৈববুদি লৈখিনি হায়ববু ফিদমনিংঙাই ওইনা চাউখৎলবা মফমশিংগা মান্নরকপদি লায়রদনা মখোয়গী মনাক নক্লবা ফাউবা ঙমখিরোই। থৌদোক অসি হৌজিক নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী রেসন কার্দ পায়বশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরস গ্রামিন কল্যান অন্ন-যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই)গী মখাদা মমাঙ থা- মে অমসুং চৎলিবা থা জুন অসিগী ওইনা লেম্না মীকোক্তা চেঙ কে জি ৫/৫ পীগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মতুং পীবা হেক হৌগৎলকপদগী থোকপা হৌরক্লে। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৌখৎলক্লিবা অথিংবশিংনা ৱাহল্লবা মীয়ামগী মনুংদগী বিলো পোভর্টি লাইন (বি পি এল)গী ঙমখৈগী মখাদা লৈবদগী রেসন কার্দ পায়রবা ইমুংশিংগী মীওইশিংদা চেঙশিং অসি পীয়ু হায়রকপনি। পাউতাকসিগী মতুংইন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মাগী মাগী এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংদা লৈবা রেসন কার্দ হোল্ডরশিংগী মতুংইন্না মখোয়দা পীগদবা চেঙগী চাং অদু হোৎতোক্লগা এল্লোকেসন থোক্তুনা য়েন্থোরকপনি। মসিদগী চেঙশিং অসিবু ফংহনফম থোক্লিবা বেনিফিসরি কার্দ হোল্ডরশিংদা য়েন্থোকপগী থবক চত্থরকপনি। মসিদগী ৱাথোকসি হৌরকপনি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কীদমক য়েংলগা পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা মসিগী চেঙশিং ফংফম থেক্লিবা বেনিফিসরিশিংনা চেঙশিং শুদনা ফংবা য়াওনরকপদগী হৌরকখিবনি। ৱাথোকসিগীদমক মীয়ামদা ব্লেম তৌবা য়ারোই। মরমদি চেঙ কিলো ৫/৫ পীগনি হায়বা, মসিগীদমক চেঙশিং অসিবুসু পীরক্লবা অদুগা য়েন্থোকপা হৌরকপদা চেঙ কিলো মশীং শুনা পীদবদগী পীদ্রে হায়রকপনি। এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অমগী এম এল এনা, মহাক্কী নোমিনিনা অমসুং ফ্যের প্রাইস সোপশিংগী এজেন্টশিংনা চেঙশিং অসিবু ফংফম থোক্লিবা বেনিফিসরিশিংদা য়েন্থোক্কদবা চেঙশিং অসি শুনা পীবা ঙম্লোইদৌবা ওইরবদি য়েন্থোকপা হৌদ্রিঙৈদা মীয়ামদা মাঙজৌননা হায়হৌবা য়াদব্রা? গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীদি ফংফম থোক্লিবা মীওইশিংগী মীকোক্তা কেজি ৫/৫ পীয়ু হায়রকপনি। অদুবু শুনা পীবা ঙম্লোইদৌরে। চেঙ কেজি ৪/৪ নৎত্রগা ৩/৩ খক্তমক পীরগনি হায়হৌবা য়াদ্ররা? ৱাফমসি হায়ফমদি থোক্তে। মরমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী নফসাগী রেসন কার্দ হোল্ডর বেনিফিসরিশিংগী মশীং চপ চানা খঙই। অদুনা মশীংদুগী মতুংইন্না চেঙ পীরকপনি। মরম অসিনা য়েন্থোকখ্রো হায়দুনা পীরক্লিবা চেঙশিং অদু ফংফম থোক্লিবা বেনিফিসরিশিংনা শুনা পীয়ু হায়বনি। চেঙ পীরক্লিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টসু মহাক্কী মীয়ামগীদমক থবক লৌখৎলকপনি। মীয়ামদুনসু মখোয়গীদমক্তা পীরক্লিবশিংদু পীবীয়ু হায়বনি। অনীমক অমত্তা লান্দে। অদু ওইরগদি চেঙ কেজি মশীং শুনা পীদ্রিবা য়েন্থোক্লিবা মীওইশিংনা লানবা ওইফম থোক্তব্রা? মখোয়সু লান্দে হায়রগনা লান্দবগী মরমশিংদু মীয়ামদা খঙহনফম থোক্তব্রা? চেঙশিংদু ইম্ফাল তম্না চিংলকখিবা, ইম্ফালদা লৈবা গোদাউনশিংদগী লৈকায় লৈকায়গী চেঙ য়েনফম তান্না মখোঙনা থোংনা লাকপদি নত্তে। মস্বাইদা লাক্লিবসি চেঙশিং অদুগী অচিংমল অদুগী থৌদাং কনানা লৌগদগে হায়বসিনি। মীয়ামদা লৈবাকসিগী পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা য়েন্থোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা পুগদ্রা নৎত্রগা মাগী মাগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কদ্রা? গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পুথোকফম থোক্তদুনা পুথোক্ত্রে হায়বা ওইরগসু শেংনা হায়য়ু। চেঙ অচিংমল পুথোকপীনবা লৈতবদগী য়েন্থোক্কদবা চেঙ মশীং অদুগী শরুক খরদি চেঙশিং অদু পুরকপগী থবক্তা চঙখ্রে। অদুনা মীয়ামদা কিলো ৫/৫ শুনা য়েনবা ঙমদবনি। শুপ্নতগী কিলো ৪/৪ নৎত্রগা ৩/৩ খক্তমক য়েনবনি হায়না অদুম শেংনা হায়বদা করি কায়বগে? চেঙ পুথোক পুশিনগী থৌদাং গভর্ণমেন্টনা নৎত্রগা এম এল এশিংনা চোংথোরক্তুনা লৌরুবা ওইরগনা য়েন্থোকউ হায়বা মশীংদুদি শুনা পীবীবা য়াইনা। মস্বাইদা করিগী মীমাং থোক্লা খুৎ-শা য়াওনরক্তুনা খৎন-চৈনগদৌরিবসি করিগীনো? নুমীৎ খূদিংগী পাউচেশিংগী খুত্থাংদা অওক-ওকথোম্নদুনা অৱাই-অখুম করিগী তৌনগদৌরিবনো? অদুগা লেম্না মীকোক্তা চেঙ কিলো ৫/৫ থা অনিগী য়েল্লনি হায়বসিদা ঐসু ঐসু হায়দুনা য়ৌ-য়ৌ তৌনরক্লিবা মীওইশিংদসু পীরক্লিবা চেঙশিং অসিবু ফংগদৌরিবা মীওইশিংদু অসিনি হায়দুনা মমিৎতা খুদোম্বী থিল্লগা তাকপীগদৌবনি। মদুতদা চেঙগী ৱাফমনা নাকোং শীংজা য়ৈরিবসি তৌরোইদবনি। অদুদি নত্তদুনা থবক ওইনা ওন্থোরকপদা চঙলিবা কান্থোকপা য়াদ্রবা তাঙ্ককশিং অসিগী মতাংদদি মচিন ফোৎচিন্দুনা লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীয়ামদা মচা খায়না খঙহনফম থোকপশিং অসিদি খঙহনবগী মহুৎতা প্রাইওরিটি হাউসহোল্ডশিংগী মশীংনা অসুকনি, রেসন কার্দ হোল্ডরশিংগী মশীংনা অসিনি, অন্টয়োদনা অন্ন-যোজনা (এ এ ৱাই)না কোনশিনগদবা মশীংনা অসিনি হায়দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন লিষ্ট ময়াম থোকপনা কান্নরোই। চেঙগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোকশিংসিগী অফোংবা অরোনবশিং মীয়াম্না শিং-নান্না খঙই। শেংদোক শেংজিন তৌনদনবা অচুম্বা, অশেংবশিং ওইনা তৌবনা ফগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) "খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।" ৱাহে পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) "মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন" (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?

৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক "ইবেনবোক্কী ৱারী" (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?

৪) "ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুন/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?

৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী "সিদ্ধার্থ" হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## খুন্নাই নৎত্রবদি খূনাই

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



ইগদৌ, তৌদৌ শরুক কৈ মমায় নানজগে হায়না হায়নরকপা য়াই। ঙসিদগী চহী কুনলোম অসিদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি কৈদাম' তৌনা হোংখ্রে। ঈশৈ তৌবা, লীলা তৌবা, লাইরিক ইবা, লাই য়েকপা, কার্টুন য়েকপা, দ্রামা ইবা, ৱারেং ইবুদি কৈমায় নানবনা ফরে। কলাকার অমা ওইবা অরায়বা ওইরক্ত্রে। হীরম অসি য়াম্না খূজিল্লক্লে। ইবা য়াবা, য়েকপা য়াবা, লীলা শান্নবা য়াবা হীরম অসি লীকশিল্লক্লে। ফাগি তৌবা ফাওবা য়াদবদি লায়রদনা ফাগিদা নোকপা ফাওবা কিন চাবগী ফীভমদা লৈরে।

মতম অমদা মণিপুর মচা ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইরম্মী, হায়নীংবা হায়বা য়ারম্মী, ইনীংবা ইবা য়ারম্মী। হৌজিক্তি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না হায়গদ্রা ইবা, য়েকপা, শকপদা ৱাই ইচিন চিনবা হায়বদু ওইরক্লে। হান্না তৌবা য়ারম্বা ফাগি কয়া ঙসিদি তৌবা য়ারক্ত্রে। মতম অমদা মীনা ফনরিঙৈ হায়নীংবা ৱা হায়বা য়ারিঙৈ মতম অদু ওইরক্তরে। মতম অমদা লাই তীলগী মরমদা লীলাদা ফাগি ওইনা পুথোক পুথোক্তুনা মীয়াম্না নোক্লবা শান্নরম্মী। হৌজিক্তি অদুম অদুম তৌবা লাই অদু পুথোক্তুনা ফাগি তাহল্লে। লাই অদু শীদোক্লে হায়দুনা লীলা ইরিবা নৎত্রগা লীলা য়াওরিবা মী অদু দশা তাবগী ফীভম লাক্লে। লৈকায়না, খুন্নাইনা বোয়কোট তৌবগী ফীভম লাক্লে। চৎনবী নাটতা অকায়বা পীরে, চাং তাহল্লে হায়না মতম অমদা হায়নরমদে, অশোয়বা অদু পুথোরকপদা ময়াম্না হৌ হৌ নোক্তুনা য়েংনরম্মী, তানরম্মী অদুগা অশোয়বা অদু চুম্বু চুমথোক্লবসু, চুমবু চুমথোক্ত্রবসু কনামত্তনা ৱা লান অমত্তা হায়নরমদে। হৌজিক্কীনা মদুগী অচুম্বা অফবা ৱাখল্লোন অদু লৈত্রে। অইবা নঙ হায়রিবা মফম অদুদা লেঙবীরক্কদবনি, ৱাখল তামিন্নগদবনি, পাউচেদা শেংদোক্কদবনি হায়বা ঙাক্তা ঙায়খ্রে। অইবা অমনা পুথোরক্লিবা ৱা অদু য়ানীংলগনা লৌবীবা অদুগা য়ানীংদ্রগনা লৌবীদবা হায়বা ৱাফম অসি লৈরক্তরে।

লীলা ইবা, ৱারী ইবা, শৈরেং ইবা, লাই য়েকপা, ফাগি তৌবা মতমদা নুংশি নুংওলগী নত্তনা ইবা য়াবা হীরম্বু লৈরক্তরে। খুন্নাই অসি খুন্নাই হায়বগী মহুত্তা খূনাই (খূবা নাইবা) হায়নদুম হায়নীংলক্লে। মীৎ খজিক্তং লাউনা পাঙলগা য়েংনরক্তবা মীৎ খূনা খূনা য়েংবা হৌনরকপগী মওং অমনা অমদা করিনোমা হেক হায়রুবা মতমদা পাউচেদা শেংদোকউ, মফম অদুদা হয়েং ফাওবগী মনুংদা লাক্কদবনি হায়বা ঙাক্তা ঙায়শিল্লকপা।

ক্বাক মখোল য়াকই হায়রুবদা ক্বাক্কী কাঙবুনা নোং হেক ঙানবগা অদুম শম ফোয়ররে।

গুলাব লৈরাং অসি লৈশক্তি য়াম্না ফজে অদুবু তিঙ্খং পাল্লম্বা অসিনা শীঙেল গুলাবকী মগুণ হন্থরে হায়রুবদা গুলাবকী কাঙবু লাক্লগা অইবা অদু লুরেন হেক্তা লৌরবা য়াবগী খুন্নাইগী তাঙ্কক'মা য়ৌরে। কনানা কনাদা করি অমত্তা হায়রুবা য়াদ্রে, মিংচৎ থীহল্লগে, গুলাবপু শীংনবনি, গুলাবকী মায়োক্তা লৈবনিগা হায়দুনা গুলাব ময়াম চঙদনা সোসল বোয়কোট হেক্তা তৌবগী ফীভমনি। নোংমাংখা খায় হায়রুবগা য়াবা নৎত্রে নোংমাংখা ময়াম চঙদনা চরম মেৎলগদৌরিবনি। কয়া লুরবা, কয়া নুংঙাইখিদ্রবা চকনো? করি চকনো সিবো? ৱা অমা হায়রুবা খুদিংদা শেন্দ্রাংদা শোকই, ক্বাক্তা শোকই, চরোয়বু ইকায় খুম্নবা মাঙহনবা ৱাফমনি। গধাদা ইকায়বা পীবনি, ইরোইগী মায়োক্তা লৈবা ৱানি হায়দুনা ৱা অমত্তা ঙাঙবা য়াদ্রবা, ৱা অমত্তা ইবা য়াদ্রবা মতমনি। মতম অসিদা ইগদৌবা অসি লৈরাংগী লৈকাদা খোইমুনা তোংবা, লৈচিলগী মরুমদা থাজনা লীৎশনখিবা, কম্বল ইল্লগা নিংথমথাদা ফুঙ্গাদা ফম্মগা হৱাই মঙ্গল ঙৌরগা চাবগী ইরগদি খরা শাফে। খুন্নাই অসি খূনাই ওল্লে।

মমৈদদি নুপা অমনা নুপী অমবু ঈজৎ মাঙহনবগী ঈ-পাউ অসি পাউচেদা হাপ্লকপা মতমদা নুপা পল্লক্কনু নুপা ময়াম লোইনা চাং তাহল্লে। ঐদি ঈজৎ মাঙহনবা য়াওদে হায়রকপা য়াবগী তাঙ্কক অমসু লাক্কনি। রাজেন কৌবা নুপা অমনা ঙানু হুরাল্লুবগী পাউ অমা ফেসবুক্তা হাপকৎপা মতমদা রাজেনগী লৈকায় পল্লুবদা রাজেনগী লৈকায়গী মীশিংনা ঐখোয়গী লৈকায়গা ঙানু হুরানবা রাজেনগা মিং পক্লবীগনু ঐখোয় লৈকায় ঈজৎ মাঙহল্লে হায়দুনা থাগৎলুরিবা মী অদু কৌখৎতুনা খুনগানবগী ফীভম লাক্কদবা কুইদ্রে। ৱা অমা হেক হায়রুবদা ফাগি অমা তৌরুবদা অপাৎপা মীদা শোকএ, ফূরী থুংবা মীগী ইন্টরেষ্ট শোকহল্লে, মকোক তাঙবা মীবু মিংচৎ থীহল্লে, মনাতোন চাউবা মীবু খোঙ্গোয়নবগা মান্নরে, নাতোন লাওবা কাঙলূপ্পু হন্থনা য়েংবা মীৎয়েংনি, মরূ খোইবা ফুরুপকী মায়োক্তা লৈবা ৱাফমনি হায়দুনা সুম লৈরগদি ইদৌরিসি করিনো, য়েক্তৌরিসি করিনো হায়বা খনফম খঙলক্তবা তাবনি। মহৌশা মী ফনরিঙৈ মতম অদু নুংঙাইবনি।

ইনরিবা, ঙাঙনরিবা ময়াম অসি করিনো অমগী অফ ফত্তবা নৈনরিবা ঙাক্তনি, 'ফরগনা ফৈ ফৎত্রগনা ফত্তে' হায়বা অদুগী মহুত্তা 'ফরগনা ফৈ ফৎত্রগনা ফৈ' নৎত্রগা 'ফরগনা ফৈ ফৎত্রগসু ফৈ' হায়বরোমদা লাক্লরে। ক্বাক মখোল নুংশি, নোংমাংখা থুম্মী, হৌদোঙ লম্বোইবা মশক ফজে, পাম্বা কৈরেলদো মবুক ফৈ, মিনুংশি চাউই, এঞ্জাং থুম য়াকপা নত্তে, এঞ্জাং মচল য়ামদদনা তৌরিনি হায়দুনা সুম সুম থাগৎতুনা লৈরিমখৈ খুন্নাইনা সুম হরাউগে হায়রক্কদৌরি। লুদৌরিদা কলম নঙগী থবকসে। ●

## লৈঙাকপু শোয়রে হায়বা য়াব্রা

### নবকুমার ওইনা

থায়নদগী তৌরকপা নৎত্রবসু ভোট তৌরে, কারে, লৈঙাক শেম্লে, লোইরে। মীয়াম্নসু য়াদুনা চৎনদুনা লৈরে। হঞ্জিন হঞ্জিন চনিরক-চহুম্লক শেমদোকপা য়ারিবসিদা শোয়বদৌনা ঙাঙনরিবা করিগীনো। শোয়রবদি শেমদোকপা তাবনি, মতোমতা শেমদোল্লক্কদৌবা লৈতে। য়াদ্রিবা ফাওবা শেম্বা য়ারিবসিদা শোয়বদৌনা ঙাঙনবদি লাল্লি, থবক শূদবা, থবক ঙমদবশিংনি হায়বা অদুম খঙনগনি। মী অমদা তাইনদুনা ঙাঙববু লাল্লি, লৈঙাক্তা তাইনবসু লাল্লি।

মীদা তাইনবা ঙমদ্রগা, মী শেমদোকপা ঙমদ্রগা, ময়ামগী ৱারেপ ওইনা লৌবা ঙমজদ্রগা খেৎঙাঙ ঙাঙদুনা লৈবদুনা হেন্না লানখ্রে। ৱাখল্লোন খেন্নবদি য়াই, খেৎঙাঙ ঙাঙজরবসু অসুম্মক চত্থদুনা লৈগনি। শেল য়েনগনি, লৌগনি, কদায়দগী শেলনা দুক য়াম্না য়েনবা ঙমগদৌরিবনো? লাকপরা ফোয়বরা ঙম্নরিবনি, অসি মঙায়। কৈদৌগে হায়বনো, তৌরগা য়েংউ, ঙম্ব্রা য়েংউদনা। খেৎঙাঙনা থবক তৌরবনি হায়বদি হায়নরোই। হঞ্জিন হঞ্জিন খেৎলগনা নমথীরক্কনি। ৱা ওইনবু লৌনরক্তবসু য়ারি।

ৱাখল খনবদি কনানসু থিংদে, থিংবা ঙমদে, থিংবসু লৈতে। ৱাখল ফাওবা মনীংতম্না খনবা ঙমজদ্রবদি লায়না অমনি হায়গনি। নীংতম্বা হায়বসি নীংতম্না ৱাখল খনবা ঙম্বদগী হৌগদৌবনি, মদু ফাওবা ঙমজদবশিংগী নীংতম্বা হায়বা অমা লৈগদৌবা নত্তে। ৱাখল খনবদা চেকশিনগদৌবনা অমনি, থবক হৌবদা চেকশিনগদৌবনা অমনি। লৈঙাক্তা তায়নরগা ৱাখল খনবদা থিংবগুম্না খন্নবসু লানগনি। ৱাখলদি নীংতম্না খনবা তমগদৌবনি, হৈগদৌবনি, ঙমগদৌবনি। লায়রবসু লৈঙাক্লা শেম্বা নত্তে, ৱাখলনা শেম্বনি। লান্না থাজদুনা লৈরবদি শেমদোকপসু ঙম্লোইদৌরিবনি। লায়রবা হায়বসি ৱাখল্লোনগী মমিনি হায়বা খঙনরবনি, লৌশিংগী মখা পোল্লিবনি, ৱাখল খল্লগা লৈবতনা শেল থোক্লক্কনি হায়বসু লৈতে। ৱাখল খনবসি মতম চঙই, শেল হায়বসি মতম অমসুং ইনর্জিগী প্রদক্টনি হায়বা খঙনরবনি। ৱাখলগী পরিং চুমদ্রবদি ইনর্জি মাঙগদৌরিবনি, মাঙনরিবনি। অমাঙ অতোং হায়বসি লল্লোনবগী শাজৎনি। শেন্দোং লৈত্রবদি লৈবাক্কী ওইনসু মাঙলকই হায়গদৌরিবনি। শেল পায়দবা হায়বসিনা লৈঙাক শেম্বদসু চৈথেং পীরক্কদৌরিবনি, পীরিবনি। মদুমক ৱাখলগী মখা পোল্লকপনা লৈঙাক শেম্বদা য়াওগদৌবা মীওই পূম্নমক শেল পায়বা নৎত্রগা শেলগী শেলম খঙবা ঙম্বা ওইবা তারকই হায়রকইবনি। শেল পায়ববুসু মরল লৈবা কৌই, লৌশিং লৈববুসু মরল লৈ হায়নরিবনি। লৌশিং লৈতবা লৈবাকশিং ৱানা লেনবা তারকপনি, ৱানরিবনি। নীংতম্বা মাঙনরিবনি, মীখা পোল্লবা ফাওবা খেৎঙাঙতা ঙাঙনদুনা লৈবা তারবদি নীংতম্বগী মরৌশিং য়াওদবনি হায়গনি। মরৌশিং য়াওদবশিংগী শেন্থোক লৈরোই, শেন্থোক লৈতবশিংগী মরৈবাক লৈবসু য়ারোইদৌরিবনি। লৈঙাক্তা শেন্থোক লৈহন্দে হায়না ওনখত্তুনা ঙাঙবনা শেন্থোক লাকপা য়াখিরোই। লৈঙাক শিল্লবসু খুদক্তা শেনবা-থুম্বা ফগৎকনি হায়বা লৈতে। তান্নীংবা মওংদা শেল তান্নরি, শেল তানবগী মওংগা লৈঙাক্কা অকক্লবা মরী লৈরক্ত্রবনি। লৈবাক্কী খনবা হায়বদুনা ৱাখলগী থাক অমনি। লৈঙাক্কা মরী লৈনদবা শেন্দাল লম্বী ময়াম লৈরবনি। ব্লেক মার্কেট হায়বসিদি লৈঙাক্কী মায়োক্তবু তৌরিবনি। শেল তানবা হৈতবশিংনা লৈঙাক্কী ৱা য়াম্না ঙাঙগনি, শেল তাল্লবশিংসু লৈঙাক্কী থবক য়াওশিল্লক্কনি, লৈঙাকসু লল্লোনবগুম লৌরক্কনি হায়রবনি। লৈঙাক অমগী শেনবা থুম্বা লৈতে হায়বা নত্তে, লৈবাক কয়াদা লৈজরবসু লৈঙাক্তুনা খঙবা ঙমদবা শেল কয়া লৈরিবনি।

মরন্নাই শেল পায়বা অয়াম্বদি লৈঙাক্লা শেমগৎপা নত্তে। মরন্নাই ৱাখলনা শেল পায়খৎলকপসি লৈঙাক্কী মরুমদা মীওই খরনা হুরানবা য়াবদি ময়াম লৈরবনি। মীপূম খুদিংমক শেমগৎপদি ওইদ্রি। ওইদ্রিবদু ওইহল্লু হায়না লাউদুনা লৈবা কান্নবা ফংদ্রিবনি, ফংলোই। কম্যুনিজম চৎলবা ফাওবা খেন্নবা লাকখ্রবনি। লমদমসিগী মীয়ামদা কম্যুনিজম চঙনবা য়াখিরোই (A system in which goods are sown in common)। মালেমগী লৈঙাক কয়াগী চৎনলোনশিংদু লমদম অসিদা লোইনমক চুনগনি হায়বসু লৈতে। লাইনীং পংপুদা পুশিল্লকপগুম্না তৌবসু য়াগদৌবা নত্তে। মীয়ামদা চানরব্রা য়েংবা চঙই। হেক্তা য়ারগনি হায়বা লানগনি। দেমোক্রেসি ফাওবা মুন্না খঙবা ঙমদ্রি, চৎনবা ঙমদ্রি, পানশিনবনি। চুনবা ঙমদবগী শেল য়েল্লগা ভোট কাবা য়াখৎলকইবনি, হৈত্রিবগীনি। চুনবা ঙমদ্রিবনি, সিষ্টমনা নত্তে মীননি; সেক্যুলরিজম হাপচিল্লবসু লাই থাদোকপা ঙমদ্রি, সোসিএলিজম য়ৌনা (এদভোকেটিং কল্লেক্টিভ নৎত্রগা গভর্ণমেন্টেল ওনরসিপ) চত্থবসু ঙমদ্রিবনি। সোভিয়েট লৈবাক্তা ফাওবা মরন্নাই পোৎ থম্নরক্লিবনি। ফেক্টরিদা থবক শূবশিং লৈবাক্কী থবক শূবনি হায়দ্রিবনি। মান্নবা থবক্কী মান্নবা তোলোপ পীবা চৎনদ্রিবনি, ঐগী মাগী খায়বসিবু দেমোক্রেসি হায়বনি হায়না লৌনরিবনি। ফুরুপ অমগী ৱাদা লৈবাক শেম্বগী ৱা চঙলুবা য়াদ্রিবনি। লৈবাক্কী ৱাদগী ফুরুপকী ৱানা চাউবা হেনগৎলকইবনি। মপানগী ফোর্স অমনা থিংবা ঙমগদৌবসু নত্তে, তৌরিবা মীশিংদা ৱাখল্লোন পীবা নত্তনা চৈরাক পীবনসু য়ারোই। লো শেল্লবসু লোদু শেন্নবনা হেন্না ৱানরিবসিনি। পংতায়দা তাইনরগা মমৈদা থবক শূবীনবা মী লৈরক্ত্রে, শূনদ্রে। অশিল-অরাং ওইবনা হেন্না কান্নরকপদগী মীপূম খুদিং অশিল অরাং ওইবা পাম্নরক্লে। লৈঙাক্কী থবক তৌবশিংসি মপুনি খল্লিবা অশিল অরাংশিং ওইরিবনি। মখোয়দা দেমোক্রেসি, সোসিয়েলিজম, সেক্যুলরিজম, কম্যুনিজমগী ৱাখল লৈতে। অয়াম্বনা শেন্দোং অনী চাবা পাম্বা ওইরে, তোলোপকী মথক্তা শেল খায়বা, শেল চাবা, পোৎ চৈ লৈবদা শেন্দোং চাবনা অয়াম্বা ওইরে। অচারম লৈতবা থবক তৌবশিং মতোমতা অতোনবা ওইনা লৌনরে। চৎনবীনা নত্তে, মশাগী ৱাখলগী থাক্লনি, শেল চারিবা মীদুসু মশাগী ৱাখলগী থাক নেম্বননি, লৈঙাক্লা নত্তে, লাইনীংনা নত্তে। লাইনসু করিসু তৌবা ঙম্লোই, লৈঙাক্লসু করিসু তৌবা ঙমদ্রে। মখোয় মশেল মান্নখ্রে। মীয়াম্নসু করি'মতা তৌবা ঙমজদ্রবা থাক অমদা লৈরে। কনানা করি তৌগনি খঙনদ্রে। খেৎঙাঙ ঙাঙবশিং খেৎনরগা লৈরে হায়বনি। অখঙবা অহৈবশিংনা লৈঙাক্লনি হায়রসু চুম্লরোইদবনি। মীয়ামসি মওং অমনি, মুৎনবা শাজৎ, মুৎনবা ৱাঙাঙ, মুৎনবা ৱাখল্লোন্দা লৈখ্রবনি। থোঙ লোনশিল্লগা থৌরি য়ানখ্রবনি, মপান্দগী শিবা-চঙবা খঙবা ঙমদ্রবনি। লৈঙাক্কী অরোনবা ফাইল ময়াম অমা লৈরমগনি, মীয়াম্না মপান্দগী উবা ফংদ্রবনি, আর টি আইনা কান্নবা ফংদ্রিবনি। ইফোং ফোংনা লৈশৌ শৌগৎপগুম মীতোপ চঙশিল্লকপা ফাওবা উবা ঙমদনা থোঙ লোনশিল্লগা খাঙখ্রবনি, খেৎঙাঙ খরদি মচা পোক্কনি হায়বা ফাওবা কাউখ্রবনি, অদুম ঙাঙদুনা লৈখ্রবনি, মুৎলবা ফাওবা মশানা খঙগদবা মাল্লবনি। মসি ফাওবা লৈঙাক্তা তাইনদুনা লেনবা ঙম্লিবনি। ময়ূম ইঙ্খোল ফাওবা ঙাক শেনবা ঙম্লক্ত্রবা শেকপীগুম্না খপ্পগা লৈরবা ফাওবা কোন্থোংদা খুনু শাবদি হনবা নৎত্রি। মসিবুরা কম্যুনিজম হায়বদো, সোসিয়েলিজমনি হায়রিব্রা, দেমোক্রেসিদা ভোট কাবা ঙম্লক্ত্রবা ফাওবা, হি অহোবদা তোংলগা লুপথরক্লবা ফাওবদা ইমা লৈবাক নুংশি হায়না লাউরগা লেঞ্জরিবনি, খেৎঙাঙ নত্তে হায়বা য়ারোইদৌরিবনি। অদুগা লৈঙাক শোয়বগীনি হায়না লাউদুনা লৈরগা করিবু কান্নগদৌরি, করিবু ঙমজগদৌরি। খেৎঙাঙদা পুন্সি মাঙনরবনি।

পার্টি সিষ্টম লৈতবগা মান্নরে, আইদোলোজিগী ৱা লৈত্রে। য়েনদৌবা শেল থাদরকপা ঙম্বা পার্টিদা চোঙশিন্নরে। শেল খোমগৎপা ঙম্বা পার্টিনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্নরে। শেল য়াম্না য়েন্নবনা ভোট কারে হায়বসি লাল্লিবনি। শেলদি লোইনা য়েল্লি। শেল হাৎপা হৈতবদি নত্তে হাৎনরিবনি। লৈঙাক হায়বসি শেলনা লৈবা য়ারবনি, মীয়াম অসিবুনা পোৎহাপ ওইনা উরে। অসিগুম্বা চক অমদা মীওই খরনা লৈঙাক্তা তাইনবগী ৱারীশিংদা মতম লেনবদি লাল্লি হায়গনি। শেন্থং খরা য়েন্নবগী লাল্লি-চুম্মী হায়নবসি থবক কৌবা য়াদ্রি। চে-চাং খরা শূরগা হুরানবা য়ানবা তৌরিবা ওইরবদি লৈঙাক্কী থবকনি হায়বা য়ারোই। খোংবান তৌবা, মৈরা শঙ শাবা, চেঙ য়েনবগী ভিদিও কাপ্পনা থবকনি খল্লবদি অনেম্বা থাক্কী ৱাখল্লোননি। মদুসু লৈঙাক্লা তৌবা নত্তে, মী-মীননি, লৈঙাক্লা শোয়বনি হায়বা য়াদে। মপুকচেল শেংদববু লৈঙাক্লনি হায়গে হায়ব্রা, মরীল তনববু লৈঙাক্লনি হায়বা য়াব্রা, নুপী চেল্লগা হাত্তোল্লক্লম্ববু লৈঙাক্তা তাইনরগা ফরক্কদ্রা? দ্রগ চাবা, শুংবা, য়ু থকপবু লৈঙাক্তা থৈজিল্লগা য়ারগনি হায়বা লৈতে। থবক শূনীংদবা খরনা মীয়ামসি পুম্লাং লাংহল্লগা থবক শূনীংদবা পোকহল্লে। শামু মথুন্দা তান্না তান্নদুনা পেনা খোংজিনববু শামুনা তাবা হৌনব্রা, মীয়াম্নসু (ভাবোক) তান্নরগা তাবা হৌনদে। য়েংদুনা লৈবা হৌনদবনি। ●